# তরুনকুমার খুরাইজম সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী অহৌবা মেচতা ঈ এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশ-নগী মিৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা তরুনকুমার খুরাইজম সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোল লীগ ২০১৬ ঙসিদগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুবা হৌখ্রে।

লমদমসিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল টিম অমা ওইরিবা ঈ এস য়ু ৱাংখৈ অমসুং এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক অনীনা শরুক য়াদুনা চথুগদৌরিবা সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোল লীগ অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক গোল ১২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।



টিম অনীনা শরুক য়ারিবা তরুনকুমার খুরাইজম সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোল লীগ অসি ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট মনিহার অমসুং এসোসিএশন অসিগী সেক্রেটরি ডা. মনিমোহন্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

লীগ অসিগী ঙসি অহানবা মেচ শান্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা চীফ গেষ্টনা শান্নরোয় অমসুং ওফিসিএলশিংগা খূৎ শোক্লদুনা শকখঙ মায়খঙনখি।

ঈ এস য়ু অমসুং এন ৱাই টি ঐচ সী অনীনা শরুক য়ারিবা নুপীগী ফুটবোল লীগ অসিগী ঙসি অহৌবা মেচতা ঈ এস য়ুনা য়াম্না চাউনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইনবগী লম্বী য়াম্না নক্না লৈখ্রে।

ঙসিগী মেচতা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা ঈ এস য়ু ৱাংখৈগী মখূৎতা লাকচনা মায়থীহৌরবা এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক মথংগী মেচ মায় পাকপদা অরুবা অমা ওইরবা য়ারি। টিম অনী অসিনা মথং শান্নগদৌরিবা মেচ অসিদা এন ৱাই টি ঐচ সীনা গোল মার্জিন হেন্না মায় পাকপা ঙম্লবদি লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইগদবনি। অদুবু ঙসি ঈ এস য়ুগী মখূৎতা গোল মার্জিন য়াম্না ৱাংনা মায়থীখিবনা মথংগী মেচতা মায় পাকপা ঙমগদ্রা ঙমলোইদ্রা হায়বসিনি। টিম অনী অসিনা মথংগী লীগ মেচ থা অসিগী ২৯ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা অমুক হন্না শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেকপু অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না লাকচনা শান্নখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ঈ এস য়ু ৱাংখৈগী য়াম্না হৈশিংলবা শান্নরোয় আই প্রামেশ্বরিনা গোল ৭ মথংশিংনা মেচকী ২৪, ২৬, ৩৩, ৫৫, ৬০, ৬৩ অমসুং ৭৯ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি। টি ঐচ উমাপতিনা গোল অহুম মেচকী ১৮, ৩২ অমসুং ৪৭শুবা মিনিটতা চনখি। কসমিনানা গোল অমা মেচকী ৫৭ শুবা মিনিটতা অদুগা এম মন্দাকিনিনা গোল অমা মেচকী ৬৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৩০

1. টেষ্ট ক্রিকেট চাম্মা হেন্না শান্নরবা নুপা অমনা টেষ্ট ৱিকেট অমখক্তমক লৌবা ঙমখি। শান্নরোয় অদু কনানো?
2. ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারুবশিংগী মনুংদা লৈবাক অমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা অহানবা নুপা অদু কনানো?
3. অহানবা আসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোকি টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা মণিপুর টিমগী গোলকিপর অদু কনানো?
4. মহাক ওলেম্পিক্তা শরুক য়াদুনা ভোল্লিবোলদা সনাগী মেদল ফংখি। চহী খরগী মনুংদা মহাকপু অতোপ্পা লৈবাক অমগী কোচ ওইনবা নেক্লম্মী। ওলেম্পিক অমদা মহাক্না কোচ ওইরিবা লৈবাক অদুগা মহাক মশামক্কী লৈবাক্কী টিমগা শান্নবদা মহাক্না কোচ ওইবা লৈবাক অদুনা থোইদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। কোচ ওইখিবী নুপী অদু কনানো?
5. পোলো শান্নবগী মওং অমা উৎলিবা শক্তম অসি করি লমগী মশান্ননো?☞



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ০২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৈমা চনুদা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ ঃ

থাইলেন্দগী পটয়াদা থা অসিগী ২৯ দগী হৌরগা দিসেম্বর ৫ ফাওবা চথুগদৌরিবা ৮ শুবা দব্লিয়ু বি পি এফ ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়ন টিমদা য়াওগদৌরিবা টি ঐচ লৈমা চনুদা ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দা লৈবা স্কুল ওফ বোদি বিল্ডরস এন্দ ফিটনেসকী মায়কৈদগী লুপা লিশীং ৫০ গী শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে।

লৈমা চনুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মায় পাক্তুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ রেষ্টলিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ ঃ

রেয়েল একাদেমি ওফ লো ওইনাম্না য়ূম্বু ওইদুনা ঙসি কোলেজ অসিগী ইন্দোর হোলদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ মেন'স এন্দ ৱিমেন'স রেষ্টলিং টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ পাঙথোকখ্রে।

ইন্টর কোলেজ রেষ্টলিং টুর্নামেন্টকী হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু চাউবলাল, রোয়েল একাদেমি ওফ লো ওইনামগী সেক্রেটরি ও ইবোচৌবা খুমন অমসুং রোয়েল একাদেমি ওফ লোগী ত্রেজরর ও নিমাইচান্দনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্ট ওফ স্পোর্টস ডা. সী ঐচ প্রদিপ, রোয়েল একাদেমি ওফ লোগী প্রিন্সিপাল আই জুগেশ্বর অমসুং ডা. ও চাউবনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিএশনগী ওফিসিএলশিংনা থৱায় হকচাং য়াওনা কন্দক্ট তৌখি। টুর্নামেন্ট অদুদা ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজ থৌবাল, ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিং, মাঙ্গোলঙানবী কোলেজ, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স অমসুং রোয়েল একাদেমি ওফ লো ওইনামগী শান্নরোয় পূন্না নুপা ৬ অমসুং নুপী ৩ না তোঙান তোঙানবা ৱেথ কেটাগোরিশিংদা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় খুদিংমক্না হরিয়ানাগী সী ঐচ দেবিলাল শির্সাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর য়ুনিভর্সিটি রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগনি হায়রি।

# মার্সেলিনহোগী হেটট্রিক্না দেল্লি দাইনামোসনা এফ সী গোৱাবু ৫-১ দা মায়থীবা পখ্রে



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৭ ঃ

মার্সেলিনহোগী হেটট্রিক্না দেল্লি দাইনামোসনা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা নোংমাইজিং নুমিৎতা চথুখিবা হেরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী মেচতা এফ সী গোৱাবু ৫-১ দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী টেবল ষ্টেন্দিংদা অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে।

দেল্লি দাইনামোসকী গোলশিং অদু মার্সেলিনহোনা মেচকী মিনিট ৩৮, ৪৮ অমদি ৫৬ তা গোল অহুম চনখি অমসুং রিচার্দ গাদজেনা মেচকী মিনিট ৫১ অমদি ৫৭ চৎপা মতমদা গোল অনী চনখি। এফ সী গোৱাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ফুলগানকো কার্দোজোনা মেচকী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা চনখি।

মেচ মায় পাকখিবা অসিনা দেল্লি দাইনামোসনা মেচ ১২ শান্নখিবদা মেচ মঙা মায় পাকখিবা, মেচ মঙানা দ্রো চৎখিবা অমসুং মেচ অনীনা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ২০ ফংলগা লীগ অসিগী টেবলদা অনীশুবা মফমদা লৈবা ঙমখি। এফ সী গোৱানা মেচ ১৩ শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকপা, মেচ অনীনা দ্রো চৎপা অমদি মেচ নিপান্না মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ১১ ফংলগা লীগ অসিগী খ্বাইগী মনিং থংনা নিপানশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

মুম্বাই সিটি এফ সীনা মেচ ১৩ শান্নখিবদা মেচ তরুক মায় পাকখিবা, মেচ মরিনা দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ অহুম্না মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ২২ ফংলগা লীগকী টেবলগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। অটলেটিকো দি কোলকটানা মেচ ১২ শান্নখিবদা মেচ মরি মায় পাকখিবা, মেচ তরুক্না দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ অনীনা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ১৮ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। কেরলা ব্লাষ্টরসনা মেচ ১২ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা মরিশুবা অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা মেচ ১২ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৫ ফংলগা মঙাশুবা মফমদা লৈখি।

দেল্লি দাইনামোসকী মার্সেলিনহোনা সিজন অসিদা গোল নিপান চনবা ঙমখিদুনা টোপ স্কোররগী লিষ্টতা মাঙজিল থানা চৎলি। এফ সী গোৱানা মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৩১ দা ফুলগানকো কার্দোজোনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

দেল্লিনা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা মশাগী চহী ২৯ শুরবা ব্রাজিলিয়ন ৱিঙ্গর মার্সেলিনহোনা মহাক্কী অহানবা গোল চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। মহাক্না সেকেন্দ হাফকী মিনিট ৩ লৈরগা গোল অমগা চনশিন্দুনা মাঙজিল থানা লৈহনখি।

দেল্লিনা অমুক হন্না মিনিট ৩ লৈরগা মখোয়গী প্লেয়র রিচার্দ গাদজেনা মেচকী মিনিট ৫১ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা লৈখি। মার্সেলো পেরৈরানা মেচকী মিনিট ৫৬ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনখিদুনা হেটট্রিক ফংখি। মখা তানা গাদজেনা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু মায় পাকহনখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেল চঙননবা খোঙফম নকশিলহনখি।

# জাদোনাং ফুটবোলগী সেমী ফাইনেল ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ ঃ

জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএশন (জেদ এফ এ) না শিন্দুনা থাংমৈবন্দদা লৈবা থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথুরিবা ১০ শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী সেমী ফাইনেল মেচশিং হয়েংদগী শান্নবা হৌরগনি।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ফুটবোল টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ থা অসিগী ২৮ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা নমদুনলোং য়ুথ ক্লব (এন ৱাই সী) নমদুনলোং অমসুং কলালোং য়ুথ ক্লব (কে ৱাই সী) কলালোংনা শান্নরগনি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ থা অসিগী ২৯ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা গাইদিমজাং ফুটবোল ক্লব (জি এফ সী) অমসুং সওম্বুং সাইরেম য়ুথ ক্লব (এস এস ৱাই সী) অনীনা শান্নরগনি।

হয়েং শান্নগদৌরিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ অসিগী মাঙওইননা জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএশন (জেদ এফ এ) এলেভেন অমসুং রোংমৈ ভেটরান ফুটবোল টিম দিমাপুর অনীনা একজিবিসন মেচ শান্নগনি।

# বিকাস কৃষনদা আইবানা বেষ্ট বোক্সর এৱার্দ পীরগনি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৭ ঃ

ইন্দিয়াগী বোক্সিংদা অহানবা ওইনা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট বিকাস কৃষনদা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএশন (আইবা) না বেষ্ট বোক্সর এৱার্দ পীরগনি।

চহী অসিদা বিকাস কৃষননা পীখিবা শিংথানিংঙাই ওইরবা পার্ফোমেন্স অদুগীদমক্তা ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএশন্না বেষ্ট বোক্সর এৱার্দ অসি ৱর্ল্ড বোক্সিং বোদি ওইরিবা আইবাগী ৭০ শুবা এনিভর্সরি থৌরমগা মরী লৈননা পীগদৌরিবনি।



দিসেম্বর ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা আইবাগী ৭০ শুবা এনিভর্সরি থৌরমদা বিকাস কৃষনদা শিংথানিংঙাই ওইরবা মনা অসি খূৎশিন্নগনি হায়রি।

মশাগী চহী ২৪ খক্তা ঙাইরিবা বিকাস কৃষন হৌজিক হৌজিক য়ু এস এগী ন্যু জর্সিদা অকনবা ত্রেনিং চথুদুনা লৈরিবনি। কুমজা ২০১০ গী গোল্ড মেদলিষ্ট অমদি ২০১৩ গী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট বিকাস কৃষননা এ পি বি বাউট অনী চহী অসিদা মায় পাক্না শরুক য়াখ্রবনি।

# ৱাই সুভাসচন্দ্রনা চহী ৪০ মথক্কী, এস চন্দ্রনা চহী ৫০ মথক্কী ষ্টেট লেভেল ভেটরান টেবল টেনিস টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএশন্না শিন্দুনা থৌবালদা লৈবা এসোসিএশন অসিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরকপা ৩ শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ২ শুবা ষ্টেট লেভেল ভেটরান টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চুপ্পা চথরকখিবা ভেটরান টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ৫০ মথক্কী কাঙলুপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস চন্দ্র শর্ম্মানা ইম্ফাল ৱেষ্টকী টি রাজেন ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা সিঙ্গলস টাইটল লৌখি। মায়থীহৌরবা টি ঐচ রাজেন্দ্রনা রন্নর্স-অপ তাখি।



চহী ৪০ মথক্কী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই সুভাসচন্দ্রনা থৌবালগী এম বিনোদ ৩-০ (১১-৫, ১১-১, ১১-৬) দা মায়থীবা পীদুনা সিঙ্গলস টাইটল লৌখি। দবলসকী ফাইনেলদা ৱাই সুভাসচন্দ্র অমসুং এম সুবকান্ত অনীগী জুরানা এস চন্দ্র অমসুং এম নোরেন অনীগী জুরাবু ৩-২ (১০-১২, ১৪-১২, ১১-৫, ৭-১১, ১১-৯) দা মায়থীবা পীদুনা দবলসকী টাইটল লৌখি। মায়থীহৌরবা এস চন্দ্র অমসুং এম নোরেনগী জুরানা রন্নর্স-অপ তাখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পাঙথোকখিবা চহী ৫০ মথক্কী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ৱাই সনাজাওবনা এল মোহেন্দ্রো ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা এল মোহেন্দ্রোনা রন্নর্স-অপ তাখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চহী ৪০ মথক্কী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ককচীং খুনৌগী এম বিনোদনা থৌবালগী দেব অকোইজম ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা দেব অকোইজম্না রন্নর্স-অপ তাখি।

দবলসকী ফাইনেলদা এম বিনোদ অমসুং এম মুহিন্দ্রো অনীগী জুরানা দেব অকোইজম অমদি ঐচ রাধেশ্যাম অনীগী জুরাবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট দবলসকী টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ওইনাম দিজেন্দ্র, সাই ইম্ফালগী হান্নগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর কে মাইকেল অমসুং থৌবাল পুলিসকী ও সী আর কে টেজবিরনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা মনা য়েন্থোকখি।





HL-B/3464/10/10-09/12




HL-B/3433/30 to 29 Nov.




HL-B/3430/29/10-28/11

